HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ



মণিপুর সিভিল সর্ভিস এসোসিএসনগী মীহুৎশিংনা লম্ফেল পাৎতা লৈবা হেল্থ সর্ভিসেস দিরেক্টোরেটকী ওফিসতা দিরেক্টর কে রাজোদা মাস্ক অমসুং পি পি ঈ খূৎশিন্নখিবা

হোৎনববু লেপত্রবদি থেংলবসু থেংনা অদুমক মহয় শোয়দনা ফংগনি
লামায় ২

ফ্রীদম ফাইটর চূড়াচান্দগী ১০৩শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে
লামায় ৩

হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ২৩রকশুবা মৈরা পায়বী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে
লামায় ৬

অনিরুধা মীশিগী মতাংদা থিজিন্নবা কোর্টনা খঙহনখ্রে
লামায় ৭

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী য়াওনা চান্দেলদা কোভিদ-১৯গী ফীভম য়েংশিনবা চৎপদা চান্দেল টাউন হোলগী অনৌবা শঙলেন শঙ্গাখিবা



Vol. 45, Issue No. 063 | থাংজ, কালেনগী ১৮নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, May 29, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

# দিষ্ট্রিক্ট ৭কী কর্ফিয়ু জুন ১১ ফাওবা শাংদোক্লে পোজিটিভ কেস ৭৩২ থেংনখি, ১৩ শিখি

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী সেক্রেটরিনা ঙরাং থোকখিবা ওর্দর অমদা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভকী মায়োক্তা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিং মথং থাগী ৩০ ফাওবা চথখিগদবনি হায়খিবা ওর্দর অদুগী মতুংইন্না ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরি অমসুং ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী চ্যেরপর্সন ডা. রাজেস কুমারনা থোরকখিবা ওর্দর অমদা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎতা থল্লকখিবা কর্ফিয়ু মথং থাগী ১১ ফাওবা নুমিৎ ১৪নিগী ওইনা শাংদোকহনখিবগা লোয়ননা ঙসিগী ওইনা পোজিটিভ কেস ৭৩২ থেংনখিবগা লোয়ননা মীওই ১৩ লৈখিদ্রে হায়রি।

চীফ সেক্রেটরিগী ওর্দর অসিগী মতুংইন্না ইসেন্সিএল সর্ভিস খরগী নত্তনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচীং, চূড়াচান্দপুর অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা থা অসিগী ১৭তা থোকখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না কর্ফিয়ু থল্লকখিবা অদু মখাতানা নুমিৎ ১৪নিগী ওইনা মথং থাগী ১১ ফাওবা শাংদোক্লে। অদুম ওইনমক হান্নদগী কোমথোরক্লিবা এক্টিভিটিশিংগী মনুংদগী অহেনবা খরসু হাপচিল্লে হায়রি।



দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট, ২০০৫গী সেক্সন ২০ (২) (এ) গী মতুংইন্না কর্ফিয়ুগী অথিংবা শাংদোকহল্লক্লিবা অসিগা ইরোয়ননা লেমহৌরিবা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ৯ - সেনাপতি, কাংপোকপী, কামজোং, তেংনৌপল, চান্দেল, ফেরজোল, নোনে, তমেংলোং অমসুং জিরিবামগী ওইনদি দিষ্ট্রিক্ট অমদগী অমদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা থল্লক্লিবা অথিংবশিং অদু অদুমক লৈখিগনি হায়রি।

ঙসিগী ওর্দর অসিগী মতুংইন্না হান্নদগী কোমথোরকপশিংগী মথক্তা হাপচিল্লক্লিবশিংগী মনুংদা সেক্রেটরিএটকী ওফিস পূম্নমক মথং থাগী ১দগী ঈ-ওফিসকী ফঙ্কসনীং হৌরগনি অমসুং ষ্টাফশিংগী ফিজিকেল এটেন্দেন্সনা শুপ্নতগী চাদা ১৫ খক্তমক ওইগনি হায়রি।

মসিগা ইরোয়ননা লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফিস পূম্নমকসু মথং থাগী ১দগী মসিগী ষ্টাফশিংগী ফিজিকেল এটেন্দেন্স চাদা ১৫ খক্তমক ওইহন্দুনা থবক হৌরগনি। ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল এরিয়াগী ৱাংমদা লৈবা পোৎ পুবা, পেট্রোল টেঙ্কর অমদি এল পি জি বুলেটনচিংবগী ৱার্কশোপশিং অয়ূক পুং ৮দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা কোভিদ-১৯গী চৎনকাঙলোনশিং চেকশিন্না ঙাক্লগা হাংবা য়ারগনি। ফীভম অসিদা রাইস মিলশিংসু হাংবা য়ারগনি হায়বগা লোয়ননা কর্ফিয়ু অসিগী মনুংদা থা অসিগী ৩০, মথং থাগী ২, ৫ অমসুং ৮দা লোকলগী মীয়ামগীদমক ভেজিটেবল ভেন্দরশিং অয়ূক পুং ৭তগী অয়ূক পুং ১০ ফাওবা হাংবা য়াগনি। অদুমকপু ভেজিটেবল ভেন্দরশিং ফেস মাস্ক উপ্পগা লোয়ননা অমগা অমগগী মরক্তা য়ামদ্রবদা ফুট ৬ লাপ্লগদবনি হায়রি।

হায়রিবা নুমিৎশিং অসিদা মফম অমত্তদা লৈবা গ্রোসরি শোপশিংগী মনুংদগী দুকান ৩/৩ খুদিংগী অমমম খক্তমক হায়রিবা পুংফম অসিদা হাংবা য়ারগনি হায়বগা লোয়ননা থঙ্গাল কৈথেল অমসুং মসজিট রোদতা লৈবা হোলসেল দুকানশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্ট

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## ক্লাস ত্বেলভকী এগজাম কেন্সেল তৌনবগী পিটিসন সুপ্রিম কোর্টনা খন্নরগনি

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

মমাঙ থাগী ১৪দা সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন (সী বি এস সী) না লৌদুনা পাঙথোক্কদবা ক্লাস টেনগী এগজামিনেসন কেন্সেল তৌখিবা অদুগুম্না বোর্দ অসিনা লৌদুনা পাঙথোক্লকবা মতম লেপ্পল্লগা য়েথোক্তুনা লৈরক্লিবা ক্লাস ত্বেলভকী এগজামিনেসনসু কেন্সেল তৌবীয়ু হায়দুনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অমা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা থা অসিগী ৩১দা খন্নগদৌরি।

ঙসি এপেক্স কোর্ট অসিগী জষ্টিস এ এম খনৱিলকর অমসুং দিনেস মহেশ্বরি অনীগী বেঞ্চনা পিটিসন অদু লৌখৎপগা লোয়ননা মসিগী কোপিশিং পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিং ওইরিবা সী বি এস সী অমসুং ইন্দিয়ন স্কুল সর্টিফিকেট এগজামিনেসন কাউন্সিলদসু য়ৌহন্নবা ইন্সত্রক্সন পীখি। লোয়ননা নিংথৌকাবা ফাওবগী মরক্তদি সী বি এস সীগী ক্লাস ত্বেলভকী এগজাম পোসপোন্দ তৌরিবা অসি নত্তনা অতৈ অহোংবা অমত্তা লৈখিরোই হায়নসু খঙহনখি।

## লেপ্তনা দোনেট তৌনরি

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

চীফ মিনিষ্টরগী কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা ঙসিসু কংলা ৱন্দ প্রদক্ট, লাংজিংনা লুপা ১,০০,০০০; ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোরেসনগী ওইল টেঙ্করশিংগী দ্রাইভরস অপূনবা লূপনা লুপা ২০,০০০; ইষ্টর্ন মোটোরসকী প্রোপ্রাইটর সিনাম প্রিতমনা পলস ওক্সিমিটর ৬০০, সেপত্রাজোনেসুলবেক্টম অমসুং পেন্তোপ্লাজোল ইঞ্জেক্সন লিশীং ১/১ দোনেট তৌখ্রে হায়রি।

## নন-সুগী কাদর ২ ফারে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বগী মায়োক্তা চূড়াচান্দপুর বট্টালিয়ন অসাম রাইফলসনা চথুরকপা ওপরেসন্দা নন-সু গ্রুপকী য়ুনাইটেদ কুকি লিবরেসন (মিলিটরি কাউন্সিল) গী কাদর ২ ঙরাং সোংপি এরিয়াদগী ফারে হায়রি। ফারবশিং অদুদি ফাইনান্স সেক্রেটরি লেটজাকাই তৌথাং, জাংলেনফাই ভিলেজ অমসুং হোম সেক্রেটরি সোমিনহাও তাওথাংনি হায়রি।

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৬.৪৬ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.৮৪ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৯.৫
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.২৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৮

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### HL Poll

Q: Curfew thamna thamna positive casesinggi masing hantharaktriba ashigi maram leingakna thidokpham thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu


NGARANG GI RESULT

Q: State leingakna manipurgi meepum khudingmak athuba matamda Covid-19 test touba houragani hairaklibasi achumba khongthang oiroidra?

Yes 80% No 20%

### অস! লোইরেহে!

- ঙসিদগী কনামতা ৱা ঙাঙবসি য়াদ্রে। ৱা ঙাঙবা মুথৎলে।




- সর, ঐদি মুথৎনীংবা কুইরে, মুথৎলসি।

## মোইরাং এম এল এগী লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দ লান্না শীজিন্নরে হায়রুবগী পুলিসনা ফাজিনখিবা এম কে পি এফকী মীওই কোর্টনা বেলদা থাদোকখ্রে




ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

থা অসিগী ২৬কী নুংথিল পুং ৩গী কেবল নেটৱর্কশিংনা শন্দোকখিবা পাউদা মোইরাং এ সীগী এম এল এগী একাউন্টদা কোভিদ মেনেজমেন্টকীদমক পীরকখিবা লুপা লাখ ৩০গী শেনফম নিংথিজনা শীজিন্নদ্রে হায়বগা লোয়ননা এ সী অসিগী এম এল এগী লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দ (এল এ দি এফ) মিসএপ্রোপ্রিএসন তৌরে হায়দুনা ফোঙদোকখি হায়বগী চার্জদা পুলিসনা ফাজিনখিবা মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্ট (এম কে পি এফ) কী সেক্রেটরি মাইরেনবম উত্তমকুমার এলিয়জ তোম্বা (৪৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম পোরোমচা, মোইরাং কোলেজ গেট ৱার্দ নম্বর ৯দা লৈববু কোর্টনা বেলদা থাদোকখ্রে।

পাউ অসিগী মতুংইন্না হায়বদা এম কে পি এফকী সেক্রেটরি অসিনা মোইরাং ফিলেম লৈকায়দা লৈবা ফ্রন্ট অসিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখিবনি হায়বা ৱাফমশিং অদুগী মায়োক্তা মোইরাং থানা লৈকায়দগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## নহা ১ কেস ৩দা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

হৌখিবা মার্চ ২, ২০২১গী নুংথিল পুং ৩.২০ রোম তারকপদা ককৱা হুইদ্রোম লৈকায় ইন্টর ভিলেজ রোদতা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী অথিংবা থুগাইদুনা পূনখিবা মীয়াম লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুলিসকী গাড়ী ২অমাঙ অতা থোকহনখিবা থৌদোক্কী মতাংদা শিংজমৈ পুলিসনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা ফাখিবা নহা অমা অতোপ্পা কেস ৩গা মরী লৈননা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখ্রে।

নহা অদুগী মমিং নাওরেম জুপিটর (১৯) অপোকপা এন বিজেন ককৱা নাওরেম লৈকায়নি। মহাকপু ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোরকখিবদা পুলিস ষ্টেসন অসিনা লৌখৎপা অতোপ্পা কেস অহুমদা মথং মথং ফোর্মেল এরেষ্ট তৌজগে হায়জরকপদা কোর্টনা অয়াবা পীখিবনি হায়রি।

### মরোল থোকপা লাই




## ম্যান্মারদগী লাঞ্জেল্লকপশিং কোভিদকা মরী লৈননা শিবা য়াওরে : সী সী এম

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

চৎলিবা কুমজা অসিগী ফেব্রুৱারীদা ম্যান্মারদা লান্মীনা কূতৌদুনা লৈবাক অদুগী লৈঙাকলোন পায়শিনখিবগী মায়োক্তা প্রো-দেমোক্রেসি প্রোটেষ্টরশিংনা হৌরকখিবা ঈরাং নমথনবা মিলিটরি জুন্তানা পায়খৎলককখিবা অকনবা থবকশিংনা মরম ওইরদুনা য়ূমথংনরিবা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরিবা মণিপুরদা লাঞ্জেল্লকখিবা ম্যান্মার সিটিজেনশিংগী মনুংদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা শিবা য়াওরে হায়রদুনা মখোয়গীদমক মীনুংশিগী থবকশিং লৌখৎনবা য়ুনাইটেদ নেসন্স হায় কম্মিস্নর ফোর রেফ্যুজিস (য়ু এন ঐচ সী আর) নচিংবদা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎহনবীয়ু হায়দুনা প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।



মেমোরেন্দম অসি কুমজা ২০১৫দা লীংখৎলগা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক মীয়ামগীদমক ক্রিটিকেল ইস্যুশিং লাকশিন্নবগী থবক থৌরমশিং পাঙথোরক্লিবা সিটিজেন্স কম্মিটি, মণিপুর (সী সী এম) গী মায়কৈদগী ঙরাং ইন্টরনেটকী খূথাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা পীশিনখিবনি। মসিগী মথক্তা ঙসিসু পোষ্টকী খূথাংদা মেমোরেন্দম অসিগী কোপি অমমুক প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিনখি হায়রি।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর রাধাবিনোদ কোইজম, সী সী এমনা ম্যান্মারদগী লাঞ্জেল্লকপা মীওইশিংগীদমক অখন্ননা শেমখিবা হ্যুমেনিটরিয়ন সব কম্মিটি (ঐচ এস সী) গী চ্যেরমেন অমর য়ুম্নাম অমসুং সী সী এমগী কনভিনর বাব্লু লোইতোংবমনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা হৌজিক মণিপুর-মিজোরাম সেক্টরগী মরক্তা ম্যান্মারগা লোন্নরিবা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর অসিগী অশাংবা কিলোমিটর ১,৪৬৮নি হায়বগা লোয়ননা ম্যান্মারগী প্রো-দেমোক্রেসি প্রোটেষ্টরশিংগী মায়োক্তা লৈবাক অদুগী লান্মীনা চথুরকখিবা ক্রেক দাউন অদুনা মরম ওইরদুনা মীওই কয়া লৈবাক অসিগী ঙমখৈ লান্দুনা চঙশিল্লকখিবনি।

মিজোরাম লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি মখোয়গী ষ্টেটতা চেনশিল্লকখিবা ম্যান্মার সিটিজনশিংবু ইথনো-কলচরেলগী ওইবা মরীগী মখাদা সেল্টর কেম্পশিং হাংদোক্তুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়াওনা পীফম থোকপশিং পীরি। অদুম ওইনমক মণিপুরগী ওইনদি মার্চ ২৬তা থোকখিবা লৈঙাক্কী ওর্দর অমগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী ম্যান্মার সিটিজনশিং অসিগীদমক কেম্পনচিংবা হাংদোক্তুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং পীবদা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## বি জে পি, এস টি মোর্চাগী ভি পিগী য়ূমদা নোংমৈ কাপশিল্লক্লে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা মোরেদা লৈবা বি জে পি সেদ্যুল্ড ত্রাইব মোর্চাগী ভাইস প্রসিদেন্ট জমখোলেট খোংসাইগী ময়ূমদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লক্লে হায়রি।

থৌদোক অদুগী পাউ তাবগা মোরে পুলিস অমদি কম্মান্দোগী টিমশিংনা চঙশিন্দুনা থিবা হুন্নবগী থবক চথুখি। অদুম ওইনমক থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিংগী মরমদা লংলা লংজিন অমত্তা ফংবা ঙমখিদে। ঙরাংগী থৌদোক অদুগী মতাংদা জামখোলেট খোংসাই মশানা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা হায়, ঙসি ফাওবদা কনাগুম্বা মীওই নৎত্রগা ওর্গনাইজেসন অমত্তগা নুংঙাইনদবা লৈতে। পর্সনেল ওইনা নুংঙাইতবা লৈরগদি মশাদা হায়বীরম্মু। মদুগী মহুত্তা য়ূমদা নোংমৈ কাপশিনবগী থৌওং অসি তৌবীগনু। লোয়ননা থৌদোক অসিদা চেন্নবশিং অথুবা মতমদা ফাগৎতুনা এক্সন লৌবীয়ু হায়খি।

মোরে পুলিসকী মায়কৈদগীসু থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মোরে ৱার্দ নম্বর থ্রী গমনোং ভেঙদা থিবা হুন্নবগী থবক চথুখি। অমরোমদা থৌদোক অদুবু বি জে পি এস টি মোর্চাগী মায়কৈদগী য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

## চহী ১৫গী মখাদা লৈবা অঙাংশিংগী কোভিদ হোস্পিটাল লৈরগনি : সী এম

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

অঙাংশিংগী মরক্তসু পোজিটিভ কেসশিং য়াওরকপগী চাং হেনগৎলকপনা মরম ওইরদুনা চহী ১৫গী মখাদা লৈবা অঙাংশিংগী ফমুং ৮০ লৈগদবা দেদিকেটেদ কোভিদ হোস্পিটাল অমা অথুবা মতমদা লৈরগনি।

ৱাফম অসি ঙসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা জেনিমসতা কে এল ১০গী ষ্টোরেজ কেপাসিটি লৈবা ক্রাইওজেনিক লিক্যুইদ মেদিকেল ওক্সিজেন প্লান্ট অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, অহানবদদি অসুক তেনখ্রবা মতমগী মনুংদা অসিগুম্বা কেপাসিটি লৈরবা ওক্সিজেন প্লান্টশিং লীংবা ঙমগনি হায়বসি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থাজরমদে। অদুবু মরী লৈনবা পূম্নমক্না অকনবা থবকশিং খূৎশম্নুনা লৌখৎলকপদগী ঙল্লিবনি হায়বগা লোয়ননা হৌজিক্তি মসি থবক ওইনা উৎলে হায়খি।

চূড়াচান্দপুরদসু পি এস এ ওক্সিজেন প্লান্ট থবক হৌরে হায়বগা লোয়ননা নুমিৎ নীনিগী মনুংদা থৌবালদসু চপ মান্নবা প্লান্ট শঙ্গারগনি। চীংগী দিষ্ট্রিক্ট অয়াম্বদসু মশা মশাগী ওক্সিজেন প্লান্ট লৈরগনি। হায়বগা লোয়ননা ইম্ফালদসু ২০ কে এলগী

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

### হুইয়েন লানপাউ ৱারেং চাংদম্নবা

মালেম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা লায়না লাইচৎ কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মহৈরোয়শিংগী লাইরিক-লাইশু তম্বদা চাওনা চৈথেং পীরি। মরম অসিনা ***“মহৈরোয়শিংবু এগজামিনেসন তৌদনা মথংগী ক্লাসতা প্রমোসন পীবা”*** হায়বা টোপিক অসিদা মহৈরোয়শিংনা ইশা-ইশাগী ৱাখল্লোন্দা য়াম্লবদা ৱাহৈ ৫০০ ইরগা ‘হুইয়েন লানপাউ’গী ঈ-মেল আই দি **hueiyenwarengchangdamnba@gmail.com** অসিদা থাবীরকউ।

ৱারেং চাংদম্নবা অসিদা ক্লাস নাইনদগীনা ত্বেল্‌ভ ফাওবগী মহৈরোয়শিং শরুক য়াবা য়াগনি। মহৈরোয়শিংনা থাবীরকপদা ইশা-ইশাগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো ১, স্কুলগী মিং, ক্লাস অমদি কন্টেক্ট নম্বর লোয়নবীরকউ। মহৈরোয়শিংগী অইবা ৱাখল্লোন অদু চৎলিবা ***মে ৩১*** ফাওবগী মনুংদা থাবীরকউ। খ্বাইদগী ফজবা ৱাখল্লোন্দা ইরকপা মহৈরোয়শিংগী মনুংদগী অহুম খনগৎলগা মথংশিংনা লুপা ৫০০০, ৩০০০ অমসুং ২০০০গী শেলগী মনাশিং ফর্ষ্ট, সেকেন্দ অমদি থর্দ তারবশিংদা পীজগনি। ৱারেং ইবীরকপা মতমদা মহৈরোয়শিংনা খূদোংচানবগীদমক মীতৈলোল (মীতৈ ময়েক), রোমান স্ক্রিপ্ট অমদি ইংলিশতা ইবীরকপসু য়াগনি।

- এদিটর, হুইয়েন লানপাউ

## ইম্ফাল-তমেংলোং লম্বী মথং চহীদা লোইশিনবা ঙমগদ্রা

বিজয় লাইশ্রম

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

হৌখিবা কুমজা ২০১৬তগী হৌরক্লগা মথংগী কুমজা ২০২২গী জুন থা ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবগী পান্দম থমদুনা চথরক্লিবা ইম্ফালদগী কাংচুপ ফাওরগা তমেংলোং ফাওবগী লম্বী শেম্বগী থবকশিং হৌজিক ফাওবদা চাদা ২৪দগী হেন্না মচি লেংহনবা ঙমদ্রিবা অসিনদি লম্বী অসি লোইশিন্নবগী থমখিবা টার্গেট অসিগী মনুংদা মপূং ফানা শেম্বা লোইশিনবা ঙমগদ্রা হায়বগী ৱাহং লাক্লে।

হৌজিক লম্বী অসিবু মায়পুন্না শেম্বগী থবক খূৎপায়নরক্লিবা হিন্দুস্তান কন্সত্রক্সন কম্পেনি লিমিটেদ (ঐচ সী সী এল) দগী ওফিসল ওইনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা চীং কক্তুনা লম্বী অসি শেম্নবগী চথরক্লিবা থবকশিংগী মনুংদা চাদা ২৪ খক্তমক লোইশিনবা ঙল্লি। মসিগী মথক্তা লম্বী অসিদা লৈগদবা তঙাইফদবা থোং অমসুং কলভর্টনচিংবগী থবকশিংসু ৱাংলি হায়রি।



লম্বী অসিগীদমক চীং ককপগী থবক চাদা ২৪ খক্তমক লোইশিনবা ঙল্লিবা অসিনা মরম ওইদুনা ইম্ফালদগী নাওরেমথোং ফাওদুনা কাংচুপ চীংখোঙ ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা কিলোমিটর ১৩ রোম শাংবা লম্বীগী শরুক অসি ফাওবগী মনুংদা শুপ্নতগী কিলোমিটর ১১ রোমদমক কোয়লাস থাবা ঙল্লি হায়রি।

পূন্না কিলোমিটর ১০৩.২ রোম শাংগদৌরিবা ইম্ফাল-তমেংলোং লম্বী

...মখা লামায় ৩ কলম ২



HL-B/6949/27/4-29/5